# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাড--

১) ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা ঙরাং খুৎশু খুৎলায় কয়া পীখৎলকখ্রে।

২) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্ভ পরিক্ষাগী কেসন পেপর লিক ওইরকখিবা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা মীওই অনি ফারে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকারি অমসুং প্রহ্লাদ জোসিনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা লৈবাক অসিগী অহানবা হাইদ্রোজেন্না চেনবা হেভি দ্যুতি ত্রকশিং চাংয়েং ওইনা লমথাখ্রে।

**------**

সরেন্দর (এল) ঃ মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা নৌনা চেরোল অমা থোক্কুনা মীয়ামনা আইন কায়না শিজিন্নরিবা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা থাখিবা মতম হয়েংনা লোয়রে। মীয়ামনা মখা তানা খুৎশু খুৎলায় পীখৎনরক্লি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম পীখৎলকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্টকী পোরোমপাৎ পুলিস কম্মান্দো য়ুনিটকী খুথাংদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, কাপ্পা য়ারিবা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্সকী মরু ১৫, নাইন এম.এমগী মরু ১০, পোইন্ট থ্রি আইটকী মরু ৭ অমসুং অতৈ লানদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নরকখি।

জিলা অসিগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা, এম-সিক্সতিন রাইফলগী মরু ৭, এ.কে. রাইফলকী মরু ৪ অমদি অতৈ পোৎলমশিং পীখৎলকখি।

জিলা অসিগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী মরু ৩ অমদি অতৈ পোৎলমশিং খুৎশিন্নরকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াংইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা এস.বি.বি.এল অমা, পোইন্ট থ্রি সিক্সকী হেন্দ গ্রেনেদ অমা, টিয়ার স্মোক অহুম, পোইন্ট থ্রি টুগী মরু অহুম, এ.কে. মরু অমা, পোইন্ট ৩০৩ মরু ৫ অমদি অতৈ পোৎলমশিং য়াওরি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো য়ুনিটকী খুথাংদা এস.এল.আর. অনি, ইন্সাস রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৫, হেন্দগ্রেনেদ অমা অমসুং দিতোনেতর ৫ পীখৎলকখি।

কুম্বী পুলিস ষ্টেসনদসু লোকেল মেদ বোল্ট এক্সন রাইফল অনি অমসুং মেগজিন য়াওবা লোকেল মেদ পিষ্টোল অমা পীখৎলকখি লোয়ননা ফৌগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসনদসু মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অমা অমসুং সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা খুৎশিন্নরকখি।

ক্বেসন (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস তুয়েল্ভ পরিক্ষাগী ক্বেসন পেপর লিক ওইরকখিবা মরী লৈননা মণিপুর পুলিসনা মীওই অনি ফাগৎলে।

রাজ্য অসিগী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলবা মতুং পুলিসনা থিগৎলবা মতুংদা ক্বেসন পেপর লিক ওইবদা চেন্নবা মীওইশিং অদু ফাগৎখিবনি। ফারবা মীওই অনি অদু থৌবাল জিলাগী পেরাদাইজ ইংলিস স্কুলদা ওজা ওইবনি হায়রি। পনবা য়াই, থা অসিগী ৩ দা ফিজিক্স থোকপা নুমিৎতা পরিক্ষা হৌদ্রিঙৈদা সোসিয়েল মিদিয়াদা ক্বেসন লিক ওইরকখিবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়- কুপা থিগৎলবা মতুং মখোয় অনিদগী মোবাইল ফোন্নচিংবা ক্বেসন পেপর লিক ওইহনবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং ফাগৎখি। পরিক্ষা নিয়ম চুমা অমদি নিংথিনা পাঙথোকবা পুলিসনা থৌরাং কয়া লেপ্তুনা

লৌখৎলি।

এরেষ্ট (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাদগী কুম্বি পুলিসনা প্রিপাক্কী হান্নগী কাদর অমা অমসুং হৌজিক লুপ অসিগী থবক তৌরিবা মীওই অমা ফারে। মখোয়দগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমদি মোবাইলশিং ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মোর্দন কলেজ মনাক্তগী পুলিসনা কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ঙরাং ফারে। ফারবা মীওই অদুদগী হেন্দ গ্রেনেদ ১০, ট্যুব লোঞ্চিং ১০, য়োৎনা শাবা নোংমৈ মরুগী বোক্স অমা, মোবাইল ফোন অহুম অমসুং চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা য়াওরি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী থিংকংফাইদগী মীওই অমা ঙরাং হিরোইন কিলোগ্রাম অমা মখায়রোমগা কোন্ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। ফারবা মীওই অদুদগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমগা লোয়ননা মোইবাইল ফোন অমসু ফাগৎখি।

জিলা অসিগী বেথেলদগী য়ুনাইতেদ কুকি নেসনেল আর্মিগী মীওই মরিসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি। মখোয়শিং অদু মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা, খুৎশু খুৎলায় অমসুং ড্রগ লল্লোনবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী পিষ্টোল অনিসু ফাগৎখি।

থৌবাল (এল)ঃ নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস থৌবালনা পুন্না শিনদুনা কেম্পেইন অসিগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী শরুক অমা ওইনা ঙরাং মোবাইল ভেহিকল অমা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা লমথাখি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-নিশাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা মীয়ামগী হকচাংদা কয়া য়ামা শোকহনবগে হায়বদু খঙহন্নবগী পান্দমদা মোবাইল ভেহিকল অদু লমথাখিবনি। মহাকা হায়- থৌবাল জিলাবু নিশা শিজিন্নদবা জিলা অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অসিগুম্বা থৌরমশিং

অসিদা মীয়মানা শরুক য়াবীনবা আপিল তৌরি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা থৌবালদা লৈবা বিল্লিয়ন একাডমীদসু মহৈরোহশিংবু নিশা শিজিন্নবনা হকচাংদা মাঙহনবগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবা থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা মহৈরোই ১৩০ হেন্না শরুক য়াখি।

তমেংলোং (এল) ঃ তমেংলোং জিলাদা প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শরক য়োজনাগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা লুচিংবা কাংবু অমনা মফম অদুগী লম্বী অমদি তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

কাখুলোং অমদি বমগাইজাং খুলগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখি। দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ অংসিমনা লম্বী নিংথিনা শেমবা মরী লৈনবা কর্ম্মচারিশিংদা খঙহনখি। লম্বীগী ফিভম য়েংশিল্লবা মতুং বমগাইজাং প্রাইমারি স্কুল, অখুই গভর্নমেন্ট হাইস্কুল অমদি কহুলোং প্রাইমারি স্কুলদা চত্তুনা স্কুলশিং অসিগী ফিভমসু য়েংশিনখি। মদুদা ওজাশিং চাং নাইনা স্কুল কারক্তবা থেংনখি। মহাকা ওজাশিং অদু মথৌ নিংথিনা পাঙথোক্তবগী মরম পীরকবা খঙহনখি। অদুমওইনমক, অখুই গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা তল্লিবা মহৈরোইশিংবু ওজাশিংনা নিংথিনা মহৈ তম্বীনা থেংনবদা মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা মফম অদুগী স্কুলশিংদা মিদ মিল স্কিমগী কান্নবা মহৈরোইশিং দা মপুং ফানা ফংহন্নবা খঙহনখি।

চান্দেল (এল) ঃ চান্দেল জিলাগী মনুং চনবা খোনাং ফৈশাবী চীংদা মৈ চাক্লকপদগী শুগনু ফয়ার সার্ভিস টিম, ফোরেষ্ট গার্দ অমদি অসাম রাইফলসনা পুন্না খুৎশমদুনা মৈ চাকপা অদু কন্নবা হোৎনখি। ঙরাং অয়ুক পুং ১১ তারকপা অদুৱাইদা চীং অদুদা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি হায়রি।

গদকারি ঃ কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারি অমসুং নিউ এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা লৈবাক অসিগী অহানবা হাইড্রোজেন্না চেনবা হেভি দ্যুতি ট্রকশিং চাংয়েং ওইনা

লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গদকারিনা হায়- হাইদ্রোজেন অসি লৈবাক অসিগী তুংগী আশা চাউনা তৌরিবা ফ্যুএলনি। মসিনা মৈখু থোকপগী চাং হন্থহনবা অমসুং ইনজিগী লমদা ইরোমদোম লেপচবা ঙমহনদুনা ত্রান্সর্পোতেসনগী সেক্তরদা অচৌবা অওনবা পুরকপা ঙমগনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা হায়- গ্রিন হাইদ্রোজেন পুথোকপা অমসুং শিজিন্নবগী লমদা লৈবাক অসিনা মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনরি। মহাকা হায়- লুপা কোতি লিশিং ১৯,৭৮৪ কাইথোক্তুনা নেসনেল গ্রিন হাইদ্রোজেন মিসন্না লৈবাক অসি হাইদ্রোজেন পুথোকপা অমসুং তোঙান তোঙানবা লমদা শিজিন্ননবা হোৎনবদা ভারত অসি মরুওইবা থৌদাং লৌবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। মন্ত্রিনা হায়- ইং ২০৩০ ফাওবদা লৈবাক অসিনা চহিগী ওইনা গ্রিন হাইদ্রোজেন মেত্রিক টোন মিল্লিয়ন ৫ পুথোকবা পান্দম থল্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

গর্ভনারনা চেয়ার লৌদুদা রাজ ভবনদা হাই লেবেল সেক্যুরিতি রিভিউ মিতিং পাঙথোকখিবা অমসুং ফিজিক্স ক্বেসন লিগ ওইহনবদা চেন্নবা ওজা অনি ফাখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ক্বেসন অমসুং পাউখুম চাইথোরকখিবদা চেন্নবা অনি ফাগৎখ্রে, একজাম হনবা হন্দবগী খন্নরি হায়না ইদুকেসন (এস)কী সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

মসিগা মান্নবা পাউদা ক্বেসন লিগ ওইরক্লিবসি প্রাইভেট স্কুলশিংদগী ওইরি, চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকদৌরি, ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্ব একজামগী সবজেক্ট খরগী ৱাহং লিক ওইরকখিবগা মরী লৈননবা মীওই ৪ ফারে অনি জেলদা থাজিনখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভর্নর হল্লকখ্রবা মতুং হাই লেবেল সেক্যুরিতি রিভিউ মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মসিগা মান্নবা পাউ মণিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং গানফিউ মেলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী দিরেক্তিভকী মায়োক্তা লেপ্লা কোতুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মসিগা মান্নবা পাউদা- কোতুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চুরাচান্দপুরদা মীওই অমা লুপা ক্রোর ১৫ হেনগী হিরোইন কিলোগ্রাম ১ মখায়রোমগা কোন্ননা ফারে হায়না হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাকা হাপ্লন্বা পোলিতিকেল পোষ্টশিং লৌথোকবা গভর্নরদা তকশিনখ্রে, থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি লোগী মতেং লৌরগনি হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

তোন্বীসনা হাইস্কুলদগী কৈথেল ওনবগী থবক লেপখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং দি.সিনা পি.এম.জি.এস.ৱাই অমদি স্কুলশিং চত্তুনা য়েংশিনখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------